থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ঙসি, নুপী লান নীংশিং নুমিৎনি



দিসেম্বর ১২ অমা হৌখি, অতোপ্পা দিসেম্বর ১২ অম'মুক লাকই। মমাঙগী দিসেম্বর ১২ গা হন্দক্কী দিসেম্বর ১২ অসিগা খেন্নবদুদি উনি থাজদে। অসুম্না হৌখি হাকুমসু নুপী-লান কমপ্লেক্সতা অচৌ অশাঙ, মন্ত্রি-ফাত্রি খরনা ১৯৩৯, দিসেম্বর ১২ দা মফমদুমক্তদা থোকখিবা থোক্তুদগী ৱারী লীরগা। থৌদোক্তু করম থোকখিবা, চেঙ লৈনা লৈনা কৈথেলদা চেঙ ফংখিদবা, লমদমসিগী লৌমীশিংনা পুথোকচবা চেঙ, লমদমসিগী মীয়াম পীজদনা মীরমদা পুথোকখিনবা হোৎনরকপা মীরম-লল্লোনবা খরগী খুজিন-থৌরাংদুগী মায়োক্তা হৌবা লানহৌদুবু নীংশিংহনবা লীলা (দ্রামা) অমা উৎলগা লোইরবা থৌরম অমা! মদুমক নৎত্রা, ঙসিসু অমুক হনজিন্না পাঙথোক্লগা লোইশিনদৌরিবা, ৮০ শুবা অতোপ্পা 'নুপী লান' নীংশিং নুমিৎ অমা! পাউদম অসি ইগে খন্না ফমথরকপা মীৎকুপসিদা থম্মোয়সিদা করি ইহুল ফাওরিবা? তমদৌরিবা পাউদমসিনা করিনো? ঐহাক খনফম খঙদরি। করি ইনি খঙদরি। খঙবীরেদনা, খোম্থোক্তুমক্নি থোক্লক্লিবা! পূন্নমক্না খঙনরবা, চহী খুদিং ইনরবা ৱারীদুদি অমুক হন্না লীনিংদ্রে। অদোম্নসু পানিংলোই। পাবীরোইদৌ' ইপাউদুদি তম্লুবগী করি কান্নে? য়েংশি - তমগে খন্না কলম পায়খৎলুরবনা মখা তাবা করি ৱাহৈ থোক্লকপগে থম্মোয়দগী। তমফম খঙলক্তা মতাঙদা ৱাখৈ ওইজরসনু। থম্মোয় পাউদম হায়'সিবু ৱাহৈশিংদু নৎত্রানে?

শেল লৈনা লৈনা চেঙ ৱানবা ফংখিদবা, চাকখুম মৈ মুৎলক্লবা ইমুংশিংগী ইমাশিং য়ুমদই মপান থোক্লক্তুনা নিংথৌ'-দরবার মেম্বরশিংগা মূক্নখিবা, দিসেম্বর ১২ গী অয়ুক মণিপুরগী চেঙ মপান্দা থাদোকপা থিংবগী য়াথং-চে খুদক্তা থোকউ - নুপীশিংগী দিমান্দদা নিংথৌ নবদ্বিতা লৈখি, তেলিগ্রাম থাখিবই পাউখুম ঙাইরি হায়বদই তেলিগ্রাম ওফিসতা উংখৎনরকপা, চাক লাম্বই চৈনা খাঙদুনা নিংথৌগী য়াথং ওইরিবী ইমাশিংবু আসাম রাইফলসকী সিফাইশিংনা নোংমৈ পায়রগা তানখায়খিবা, সঙ্গীন্না থিনবদা ঈখেঙ তানা শোকখিবা ইমাশিংগী ৱারীনা থৌদোক অদুদা মৈদা থাউ হৈজিনবগুম থোকখিবনি। থৌদোকশিংদুই ৱারীদু নৌনা অমুক লীজররোই। ফনমক মরূ ওইসনু হঞ্জিন হঞ্জিন তারবা ৱারীদুদি তানিংলক্তে। ইরবসু পাবীরোইদবা ৱারীদুদি ইরুবগী কান্নদে।

নুপীলান হায়না খঙনখিবা, চরাম্নরবী মীতৈ চনুশিংগী থৌদোক অসি থোক্ত্রিঙৈ, নিংথৌকোনগী নিঙোল লৌবী, অকাবদা দোলাই তোং অকুম্বদা শগোল তোং নুংঙাই য়াইফনা লেল্লম্বা হিজম মচা ইরাবোত, মোন্দুম মোন্তেক থাদোক্লগা মকূ-ইবুংঙোগী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাউ লাউদুনা, শিন্মীশিংগী মরূপ ওই, লৌমীশিংগী মপাঙ ওই মপুন্সি অদু লেন্নবা ফিরেপ হান্না লৌখ্রবনি। অউন-লৌগী পোখোক অদু চারগা কুচু কুমেন থোক্না লৈদৌ শরুক হুমাং'মলনা তানজবা চীঙ্গাক অদু চাদুনা নুংশানা কাহৎলবা কুচুদুগা শাগোন্ননা পুন্সি লেনবদুনা হেন্না লেমজবা পুন্সিনি খনজখ্রবা মপোক্নি। অঙম-অথৌ নুংঙাইনবা মীচম-মীয়াম ওৎপা থৌসিল ইরাবতকী অশাওবীনি। অদুগুম্বা তানফমদা চরা হেল্লবী নুপীশিং তুশোন্ননা লৈবই মহুই লৈঙাক্কা তেমশিংনরকপা - 'ইরাবত' না ইনশিনবনি' - খনফম থোকপা ৱাখলনি। মতমদুগী, মীৎয়েং মঙম শান্দবা নিংথৌকোনগী অঙম অথৌশিং (মতমদুগী বৃটিস ওফিসরশিং য়াওনা) ৱাখল থেনবা ঙাক্তনি, হায়দনিংঙাই মরম লৈতে। কনাগুম্বনা ইনশিল্লগা হৌবা ঈহৌগা, মশাগী মথৌনা মরিংজেলনা ইনশিল্লগা হৌরকপা ঈহৌগা - অনী অসি কৈদৌঙৈদা মান্নদে। অহানবা নীংতম লাননি হায়নখিবা '১৯৫৮ গী সিফাই লানহৌ' - কনানা কনাদা ইনশিনখিবগে? নীংবা কায়রবা, থম্মোয় শোক্লবা সিফাইশিংদুগী মথৌনা, মঙ্গল পান্দেনা মথৌ শঙলুবা খক্তনি। মীখা পোনবগী খাঙঙমদ্রবা মীয়ামগী পোৎলুম অদু থাংথনিংলবা মীয়ামগী ঈহৌ অদু নীংশিংহল্লুবইদমক বৃটিস লৈঙাক্না 'মঙ্গল পান্দে' বু মঙক্তা থৌরী থুরগা মীয়াম মাঙদা হাৎখিবা থৌদোক্তুনা, নীংতম ঈহৌ নমথবগী মহুত্তা মৈহুম ওইনা থোকখিবগুম, নিংথৌ লৈঙাক্কী কা- হেনবা নিতি-নিয়ম, চৎন-কাঙলোন ময়ামদুনা ওমখত্তুনা চাকহল্লবা মীয়ামগী থম্মোয় মৈচাক মৈরী ওইনা চাকহন্নবা ইথিল পীখি - মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবত'না। 'নুপী-লান' (অনীশুবা) মতমগী য়াওন-নোংলৈ অদুদা হুল্লকখিবা নুংশিৎ অমনি। নোংলৈদুনা পুথোরকখিবা লুচিংবা অমা নত্তে ইরাবত। নুংশিৎ অদু শীৎলক্লবা ইথিল পীখিবা লুচিংবদি ইরাবতনা ওইখিবরা? মদুমদি খন্থনিংঙাইনি নৈননিংঙাই ওইরিবা। লানহৌ হৌখিবা ইমাশিংগী মফমদা ইরাবতনা লুচিংলকখিবা লৌমীনা লৌপু ওইগদবনি, শিন্মীনা শিনশঙ পায়গদবনি হায়বা ঈহৌ অদুনা অকনবা ইথিল পীরম্বদি য়াই। লুচিংবীনবা লৈত্রবা খুন্নাইদুবু লুচিংবীনবা লুচিংবা অমা থোরক্লে খনবগী নুংঙাই-ঈথক অমদি হৌখিবনি তশেংনা। অদুগা, অমরোমদা দিসেম্বর ১২ গী থৌদোক্তুনসু ইরাবতকী পূক্লিংবু মথুম-মরাঙ হৌহনখি। থাজখিদে মহাক্না, শম পুনশিনগনি খঙদ্রবী ইমাশিংনা খ্বাঙচেৎ মচি লাং, অদুম্না লান পারক্কনি হায়বদি। অদুনা লোন্না হায়রম্মী - 'শম পুনশিল্লু দেবী'।

দিসেম্বর ১২ অমা চৎখ্রগা অতোপ্পা দিসেম্বর ১২ অমা লাকপসিদা ঐগী থম্মোয় শোকহল্লিবা - মচেৎ তারবা, পুনশিন্নবা ঙমদ্রবা দিসেম্বর ১২ নীংশিংলিবা ইমাশিংগী লিংজেল উবদনি। থাজবিদবরা অদোম - ঙসিগী নীংশিং নুমিৎসিদা ইমা-ইবেনশিংদুগী খারবা লিংজেল নীংশিংহল্লিবা ফম্বাক-কূমহৈ 'নুপী লান' - লিংজেল খাবী কূমহৈরোই নাকপাক অমনা অরোইবা তম্থায় শান্নরগা অমত্তা ওইবা মালহনবনি। মনুংদদি চিংখায়নরি। অসিগুম্বা ফিবসিদা 'অহুমশুবা নুপী লান' অমা হৌরক্কনি হায়বদু থাজবা ঙমদে ঐহাক্তি। অদুগুম্বা ঈহৌ অমগী তানফমদি লাকখ্রবনি নহান্না।

লৌশিং পুক্কে

চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা নুপাদগী নুপীনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেল্লি

নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটিগী জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা হায়খি, চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা নুপাদগী নুপীনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেল্লি। নহা ওইরিঙৈদা নুপানা নুপীদগী সেক্সয়েল্লি এক্টিভ ওইবা হেল্লবসু অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা নুপীনা নুপাদগী হেল্লি।

হীরম কয়াদা নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। পাঙ্গল কনবা, লৌশিং লৈবা অমদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায়সু নুপানা নুপীদগী হেল্লি হায়না থাজনৈ। অদুবু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলে।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) গী রিপোর্টনা হায়খি, থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা নুপী খুদিংমক নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় তপ্না তপ্না হন্থরকই। নুপী খুদিংমক থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদা তোয়না কাউগনবা অমসুং ৱাখল চমন্নবা হেক হেক পোল্লকই। মসিগীসু মথক্তা ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকপগা লোয়ননা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

পুন্নমক অসি ওইদুনসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়না নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ভেনকোৱরগী য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াদা রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, চাং নাইনা এরোবিক এক্সরসাইজ তৌবা মীওইশিংদি অহল ওইশিল্লক্লগা ৱাখল খনবা ঙম্বা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙদে।

কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা মীওইশিংদগীদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি হায়বা খঙলকখি। মসিগীসু মথক্তা হকচাং শাজেল তৌবা মীওইশিংগী ব্লদ প্রেসর হন্থরকপা থেংনখি।

ব্লদ প্রেসর কা হেন্না ৱাংদুনা লৈবা তারবদি ভেস্ক্যুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোকপদগী দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপা য়াই।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহনবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙমখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী টেরেসা লিয়ু এমব্রোসনা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌবনা মেমোরি প্রোব্লেমগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। অদুবু মাঙজৌননা প্রোব্লেম মায়োক্নরবা মীওইশিংদা ফীভম হেঞ্জিলহন্দবা ঙম্বরা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মীওই ৭০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা থম্বা ঙম্মী হায়বা খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা 'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, ক্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রোবার্ট হেবেকিসনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, তূম্বগী চাং ৱাৎলবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। পুং ৫ রোম তূম্বগী চাং ৱাৎপা মতমদা হকচাং চোকথরকই, ইথৌদা পূক্নিং চঙবা ঙম্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখি। ব্রেনগী হিপোকেম্পস রিজনদা ন্যুরোনশিং অমগা অমগা শম্ন রক্তবা মরম্না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তে অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই হায়রি।

নীংশিংবগী মতিক ময়ায় হেনগৎহন্নবগীদমক্তদি মপুং ফানা তূম্বা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা নুংথিল ঙাইহাক্তং মীৎকপ অমত্তং ওইরবসু তূম্বা মতমদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোরক্তুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। পুন্নমক অসি ওইদুনসু চাংচৎতা মীয়ায় চল্লকপা নুপাদগী মীয়ায় চল্লকপা নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লি।

ডা. জো এন পিঙ্কর্টননা লুচিংবা রিছার্চরশিংনা ফিমেল সেক্সুয়েল ফঙ্কসন ইন্দেক্স অমসুং ফিমেল সেক্সুয়েল দিষ্ট্রেস স্কেল শীজিন্নদুনা ষ্টদি চথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা চাংচৎতা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপা ১৫০০ দা ষ্টদি চথরম্মী। মদুদা নুপী অয়াম্বা হাইপো এক্টিভ সেক্সুয়েল দিজায়র দিসফঙ্কসন মায়োক্নবা থেংনরম্মী।

'দ ইভোল্যুসন ওফ দিজায়র: ষ্ট্রেটিজিজ ওফ হ্যুমেন মেটিং' ইখিবা দেবিদ বসনা হায়খি, নহা ওইরিঙৈদা নুপানা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনবা হেনবগা লোয়ননা নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা ফাওরকপা হেল্লবসু মীয়ায় চল্লকপা মতমদদি নুপীনা নুপাদগী হেল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্নবগীদমক ওষ্টিনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী রিছার্চরশিংনা থিজিন্নবা হোৎনরি।

নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নাবার্দ অমদি আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরগা খূৎশম্ননা শীন্দুনা ইনহেন্সিং ফিশ প্রদক্সন টুইনক্রিজ ইনকম ফ্রোম ফিশ ফার্মিং হায়বা হীরমদা নুমিৎ হুম্নি চত্থগদবা ষ্টেট লেবেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরদা হৌদোকখ্রে।

ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নাবার্দকী জেনরেল মেনেজর প্রভিন কুমারনা হায়খি, মণিপুর তোপ-তোপ্পা কলচর লৈবা লমদমনি। লৈহাও লৈবা মরম্না পোখোক পুথোকপা য়াগদবা মফম অমসুনি। কুমজা ২০১৭-১৮ দা ঙা মেট্রিক টন ৩২ দগী হেন্না পুথোকপা ঙমদবনা মপান্দগী লৈরি। চীফ মিনিষ্টরনা পূক্নিং চঙদুনা মপান্দগী ঙা লৈদনবা পান্দম থল্লি। আই সী এ আর অমসুং নাবার্দনসু মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌরকপনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন ডা. আই মেঘচন্দ্রনা হায়খি, মপান্দগী ঙা পুশিল্লকপা লেপ্নবগীদমক কুমজা ২০২০ ফাওবদা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা হৌগদৌরিবনি। নাবার্দকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরগী য়াওনা ঙামীশিংগী ওইবা খোঙথাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। ঙাথোক লৈহন্নবগীদমক মথং চহীদগী থবক কয়াসু পায়খৎকনি। ঙাথোক হেন্না পুথোক্নবা এৱ্যেরনেস পীরিবনি। পরি অমদা টন অনীদগী হেন্না পুথোকপা ঙমদ্রিবসি টন মরি পুথোক্নবগী লন্বী অদু খঙমিন্নবনি। ঙাথোক হেনগৎহনবা হায়বসিদা ঙাগী মচীঙ্গাক পুথোক্নবা হোৎনবসু চঙই।

চীংখোঙ চীংয়া য়াওনা পাক শন্না চুজাক অমসুং নুঙ হৱাই থাহন্দবা য়াদ্রে। মসিগীদমক থৌরাং পায়খৎপা চঙই। লোক্তাক ময়াদা ঙা য়োক্লিবশিংনা ঈশিং ঈচাওদা ঙা চৎখিবা মরম্না ঙা য়োক্লিংদবা কয়া থোরক্লে। ঙামীশিংসু হিংহন্নবা ঙাগী পোখোক লৈহনবা চঙই। পেন কলচরদা নেট খারিবা অসি ৱাংহন্দুনা খরা হেন্না মতমগা চুনবা টেক্নোলোজি পুথোক্লবা হোৎনরি। মণিপুর লৈঙাক্না থৌরাং তৌরিবা অসিদা ঙামীশিংনা ঙা য়োক্লিংবগী চাং হেনগৎলক্কনি। অসিগুম্বা থৌরাং কয়া অসি পায়খৎমিন্নরবদি ঙাদা মীপান তাংদবা ঙমগনি। মণিপুরদি নোং মরাং কায়না তাবা লম ওইবনা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতে। ঙা মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই সী এ আরগী সাইন্টিষ্ট ডো. কে ঐচ রিশিকান্ত, ফিশরিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডো. সী ঐচ বাসুদা অমদি কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী ডো. এন সোরাঙম্বনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈননা লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): হ্যুমেন রাইটস দে ওবজার্বেসন ২০১৮ কা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং নোর্থ এ ও সীগী জোমি ভিলাদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা স্পোন্সর তৌরগা দিষ্ট্রিক লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি দ সেলফ ট্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ এসোসিএসন অমসুং জোমি ভিলা ৱিমেন্স এন্দ চাইল্দ ৱেলফ্যের এসোসিএসন পুন্না শীন্দুনা লিগেল এৱ্যেরনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই এম সীগী মেম্বর কাকম হাওকিপ, জে দল্লিয়ু সীগী সেক্রেটরি মাংখোজাং কিপজেন অমদি জে দল্লিয়ু সীগী চ্যেরমেন লুনখোহেন হাওকিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা সী ঈ ঈ টি এ এ গী সেক্রেটরি কিংখোনিয়াং সিমতেনা ৱেল কম এদ্রেস অমদি কিনোট এদ্রেস পীখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পাসর্ন ওইনা অম্বাগী ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি বি সুপ্রিয়ানা ভিক্তিম ওফ ট্রাফিক্কিং এন্দ কর্ম্মসেল সেক্সচ্যুএল এক্সপ্লোইতেসন স্কিম ২০১৫ মতাংদা ৱা ঙাঙখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন এ সী কে ধানেনা চাইল্দ ফ্রেল্লি লিগেল সার্ভিস টু চিল্ড্রেন এন্দ দিয়র প্রোটেক্সন (এন এ এল এস এ) স্কিম ২০১৫ হায়বসিদা ৱা ঙাঙখি।

বাই ইলেক্সন তৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তমেংলোংগী মখাদা লৈবা ২-চাতোন দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী হাঙদুনা লৈরিবা মেম্বর অমগী সীটকীদমক বাই ইলেক্সন মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৪ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না মীখল অসিগীদমক নোমিনেসন ফাইলগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৭ নি। স্ক্রুটিনি থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্কনি। কেন্দিদেচর ৱিদ্রোৱেলগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২০ নি। মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৪গী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ভোট থাদনগনি। কাউন্টিং চহী অসিগী জন্যুৱারী ২১ দা পাঙথোক্কনি। জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরাংশিং লোইশিনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মালোমদা সোলর ষ্ট্রীট লাইট তরা য়ুংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা হেদ ক্বার্টর ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ন্না থা অসিগী ১০ দা ওপরেসন সদভাবনা প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা মালোম গ্রাম পঞ্চায়টনা হায়জরকপদগী সোলর ষ্ট্রীট লাইট তরা খুৎশিন্নদুনা য়ুংখ্রে হায়রি।

বট্টালিয়ন অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থাগী ওইবা সিক্যুরিটি মীটতা মালোম গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দশিংদা সোলর লাইটশিং য়ুংবীনবা হায়জরকপদগী ৱার্দ খুদিংগী সোলর ষ্ট্রীট লাইট য়ুংনবগী পান্দমদা ষ্ট্রীট লাইটশিং অদু পীখিবনি।

থৌরম অদু হৌদোকপদা মালোমগী মনুংদা লৈবা খুঞ্জা ১৫০ রোমনা শরুক য়াখি অমদি ব্রিগেদিয়র অমিৎ কাবথিয়াল, সেনা মেদল কম্মান্দর ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসনা হৌনবী মতুংইন্না মালোম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানদা সোলর ষ্ট্রীট লাইটশিং অদু খুৎশিন্নখি।

টুলিহল বট্টালিয়না চথখিবা অদুগুম্বা সোলর লাইটশিং য়ুংবগী থৌওং অদুবু মফম অদুগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লখি। বট্টালিয়ন অসিনা হৌখিবা জুন থাদা থোকখিবা ঈচাওদা ফ্লদ রিলিফ ওপরেসনশিংসু পাঙথোকখি। তুংদা বট্টালিয়ন অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অহেনবা প্রোজেক্ট কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ৱাৎলবা খুল কয়াদা অসাম রাইফলসনা লেপ্তুনা চথরকপা থৌরাংগী মনুং চনবা ওইনা হেদ ক্বার্টর ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী লমজিং মখাদা ২৬ শুবা অসাম রাইফলস থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা নোংমগী ওইনা ফ্রী মেগা মেদিকেল কেম্প (ওপ সাদবাভনা) অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিকী কৈবুং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

মেদিকেল অদু ২৬ শুবা অসাম রাইফলস থৌবাল বট্টালিয়ানগী কম্মান্দন্ট কর্নেল সী ভিধ্যরননা হৌদোকতুনা কেম্প অদু হকথেংননা য়েংশিনখি। ২৬ শুবা অসাম রাইফলসকী আর এম ও ডা. অজিৎতাব সুমন, সী এম ও ডা. এস ভাফেনা লুচিংবা দোক্তর টিম অমসুং পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংনা পেদিএট্রিক্স, গ্যানি, ওপথালমিক য়াওনা কৈবুল ভিলেজ অমদি থংনবা ভিলেজশিংগী নুপী অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৫০০ রোম অনা-লায়েংবগা লোয়ননা লেম্না হীদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

মেদিকেল কেম্প অদুগী শরুক অমা ওইনা যোগ শান্নবগী কান্নবা অমদি যোগ য়োখৎপগী পান্দমদা অসাম রাইফলসকী যোগ ইনষ্ট্রেকচরনা লুচিংদুনা লায়েংবা লাক্লিবশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা যোগগী অসানশিংসু শান্নখি। কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা মীয়ামগা তোঙান তোঙানবা দোক্তরাং অমসুং এক্সপার্টশিংগা ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমসু পাঙথোক্তুনা ঐছ আই ভি/এইদস, হেপটিটিস, মেলেরিয়া, ঈশিংদগী পোকহনবা লায়না তিলনাশিংগী অমদি সেনিটেসনগী মতাংদা মীয়ামদা শন্দোক্না থমখি।

হোস্পিটালদা চত্তুনা অনা-লায়েংবা ঙমজদ্রবা খুঙ্গংশিংদা অসাম রাইফলসনা মীয়ামদা লেম্না অনা-লায়েংবগী খুদোংচাবা পীবা অমদি হীদাক লাংথকশিং লেম্না পীদুনা মেদিকেল কেম্প শিনবিরকপা অসি য়াম্না পেল্লি, অসাম রাইফলসসু থাগৎচরি হায়বা ৱাফম খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি। অসাম রাইফলস থৌবাল বট্টলিয়নগী কম্মান্দেন্টনসু লমদম অদোমগী য়াইফ নুংঙাইবা, ঈংনা চিক্না লৈবা লমদম অমা ওইহনবা মীয়াম্নসু অসাম রাইফলসদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

ঙেঃ/ শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়গী ইরক্তা তিল্লম্বা ঐগী ইপুরোইবা **শ্রীকোন্থৌজম (থাংজম) ৺ইতোচা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা মচা-মশু, ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩/১২/২০১৮ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ২৬ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য ইন্দ্রমনি দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। হৌখিবা তাং ৮/১২/২০১৮ ইং, পোইনুগী নোংমা পানবা থাংজ নুমিৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৬/১২/২০১৮ ইং, পোইনুগী ৯ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি মহাক্না তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

সেবা ফংজরিবশিং :-

১। কোন্থৌজম (থাংজম) ওংবী ডা. বিমোলাকুমারী দেবী (সহধর্ম্মিনি)
২। কোন্থৌজম (থাংজম) বেনজামিন সিংহ (মচানুপা)
৩। কোন্থৌজম (থাংজম) রজনিশ (ভাইতি) সিংহ (মচানুপা)
৪। কোন্থৌজম (থাংজম) রাজ (নাওচা) সিংহ (মচানুপা)
৫। কোন্থৌজম ওংবী শৈলেজা দেবী (মমৌনুপী)

সেগা রোদ, থৌদা ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল।

HL-P/5815/12

NOW SHOWING FRIENDS, INDRANI KAKCHING, JANATA MOIRANG, NAMBOL
LUHONGBA, CHAKOUBA, CHAK-UMBA, BIRTH DAY, NAHUT NARENG AHONGBA MAMALDA KAPCHARE
8787668760, 8794687252
MEGA SUPERHIT FILM 2018
FRIENDS, 40days + Running successfully
Nongthombam films
after Ningol Chakouba -2
a film by
SANATON NONGTHOMBA
CHANU IPS
EKAI NUNGSI YANARE
a meitei feature film

HL-P/2589/30,1-17Jan.

IPS CANCHIPUR

ADMISSION OPENS FOR 2019
BOTH SCHOOL & BOARDING
(FROM PRE- NURSERY TO IX)

IPS MERIT SCHOLARSHIP EXAMINATION - 2019
FROM CLASSES VII - IX

UNDER THE IMPHAL PUBLIC SCHOOL CHARITABLE TRUST(IPSCT)
CANCHIPUR - 795003

ELIGIBILITY : VII, VIII,IX(READING IN 2018)

Date of form Issue : 15th Dec,2018
Last date of form submission: 10th Jan,2019
Date of examination : 15TH Jan. 2019 at 10:30 am

Advantages :
1) Free education under IPSCT.
2) Merit Schoolarship under IPSCT.
3) Free Boarding admission under IPSCT.

Required Documents:
1) Id of present class
2) Any document of present class & admit card of the final Examination - 2018.

IPS BOARDING IPS SCHOOL

For Details please contact : 8257807581(Reception)

HL-P/5817/12/12-12/1(Alt.)